**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 10-11-2024)**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবু অমনা ঙসি অয়ুক ককচিং জিলাগী উতাংপোকপী চিংদা থিবা হুন্সবগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে।

ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা-স্মোগ গ্রেনেদ অনি, টিয়ার স্মোগ সেল মঙা, কন্ট্রিমেদ নাইন এম.এম. পিস্টোল অনি, গ্রেনেদ অমা, রাইফল অমা, কন্ট্রিমেদ লোঞ্চর অমা, নোংমৈ মরু অমদি অতৈ পোৎলম কয়া য়াওরি। খুৎলায়শিং অদু হার বেগ অমগী মনুংদা লোৎশিল্লম্বনি।

সুগ্ পুলিসনা কেস অমা লৌখৎতুনা মখা তানা থিজিল্লি।

**ফেষ্টিবেল (এল)ঃ** চহি অসিগী ওক্তোবর ৩১ দগী চথরক্লিবা ওন লাইন গ্লোবেল ফেষ্টতা মনিপুরগী জনানেতা হিজম ইরাবোতনা মীতৈ লোলদা ইবা শৈরেংশিং, হরিবন্স রাই বচননা হিন্দি লোলদা ইরম্বা শৈরেংশিং পাবা অমসুং ভারত রতা-ডা: ভোপেন হজারিকাগী ঈশৈশিং শকপগী কম্পিটিসন অমা হাপচিল্লে।

নোলেজ রিছার্স সেন্টর ফাউন্দেসন (কে.আর.সি) ফাউন্দেসন অমসুং বরাক মনিপুর ফ্রেন্দসিপ এসোসিয়েসননা শিনদুনা মথং চহিগী জানুৱারী ১০ দগী ১২ ফাওবা সিলচরদা পাঙথোক্কদৌরিবা বরাক ফেষ্টিবেল ২০২৫ গী শরুক অমা ওইনা ওন লাইন গ্লোবেল ফেষ্ট অসি শিনবনি। কে.আর.সি. ফাউন্দেসনগী মেনেজিং ত্রষ্টি-বিসৱাদিপ গুপ্তনা হায়-ওন লাইন গ্লোবেল ফেষ্ট অসিদা অসামিজ, মনিপুরি অমসুং হিন্দি ঙাংবা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা ৱার্ল্ড সাইন্স ডেগা মরী লৈননা ঙসি তমেংলোং জিলাদা লৈবা সি.ও.বি. খোঙশাংদা সাইন্স ইগজিবিসন অমা পাঙথোকখ্রে।

ইনগেজিং মাইন্স এন্দ ইম্পৱারিং ফ্যুচর হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা ইগজিবিসন অদুদা নেতাজি সুবাসচন্দ্র বোস কেন্দ্রিয়া বিদ্যালয় রেংপাংগী ওজাশিং অমসুং মহৈরোই ৬৫ রোমনা ইগজিবিসন শিল-লাংবদা অসাম রাইফলসনা মতেং পাংখি। থৌরম অদু লেকচর কম প্রজেন্টেসনগা লোয়ননা হৌদোকখি। তুংদা, মহৈরোইশিংনা মখোয়গী প্রোজেক্টশিং মীয়মাদা উৎখি।

**কম্পিটিসন (এল)ঃ** ময়াই য়ুন্ফম খুমন কংলৈ অপুনবা ইতিনফম-ময়াং ইম্ফালনা শিনদুনা ক্লাস ফাইবতগী আইট ফাওবগী অহানবা ষ্টেট লেবেল মেথমেটিক্স অমসুং সাইন্স কম্পিটিসন অমা ঙসি শিংজমৈ কোংবা রোডতা লৈবা এস. চাউবা মেমোরিএল হংলিস স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

**ডে (এল)ঃ** য়ুনিতি এন্দ প্রোগ্রেসিপ কোওপরেটিব সোসাইতি-পোরোম্পাৎ থৱানথাবা লৈকাইগী অহানবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্টকী শজিৱাদা লৈবা বাবিনা হোস্পিতালদা মীওই ২০ লোমা ঈ দান তৌখ্রে।

**এৱার্ড (এল)ঃ** অনিশুবা মংশাতাবম নিলা অমসুং বিধু মেমোরিএল মেরিটোরিয়স এৱার্ড ২০২৪ ঙসি জিরিবামগী বিদ্যানাগরদা লৈবা এল. সুরজ সিংহদা খুৎশিন্নখ্রে। মহাকা রোয়েল গ্লোবেল য়ুনিভরসিতিদা চহি অসিগী এম.এ.সি. কেমেষ্ট্রিদা গোল্ড মেদল লৌরকপা লৌরকপদা এৱার্ড অসি ঙসি খুৎশিন্নখিবনি।

**মীখল ঃ** বি.জে.পি. লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- বি.জে.পিনা মতম চুপ্পদা ত্রাইবেলশিংগী য়াইফনবা অমসুং মখোয়গী স্বার্থ য়েংদনা থবক তৌরি।

ঝরখন্দগী বোকারোগী চন্দনকিয়ারি বিধান সভা কেন্দ্রদা পাঙথোকপা বিজয় শঙ্কল্প অভিয়ান থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়-বি.জে.পিগী ওইনদি ত্রাইবেল ইচিল ইনাওশিংগী অপাম্বা ফংহন্নবা মাংজিল থানা হোৎনদুনা লাক্লি। শ্রী মোদিনা হায়-হৌখিবা চহি তরাদা কেন্দ্র সরকারনা ঝরখন্দগীদমক লুপা কোতি লাখ অহুম হেন্না পীখ্রে। মসি কংগ্রেসকী মতমদা পীরম্বা শেনফমদগী শরুক মরি হেল্লবনি।

ঝরখন্দ অসি এন.দি.এ. সরকারগী মতমদা শেমখিবনি। মরম অসিনা, ঝরখন্দবু চাউখৎহন্নবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনগনি হায়না শ্রী মোদিনা মখা তাখি।

জে.এম.এম. সরকারবু মরাল শিরদুনা শ্রী মোদিনা হায়-সোরেন সরকারনা ঝরখন্দবু চাউখৎহনবগী মহুৎতা মশাগী লন-থুম লেপশিনদুনা লৈরে। অমরেমাদা, বি.জে.পিনদি রাজ্য অসিদা শিক্ষা, মীয়ামগী য়ুম শাবীবা অমসুং থবক পীনবা হোৎনরি। মহাকা হায়-রাজ্য অসিদা বি.জে.পিনা সাসন পায়রক্লবদি শেঞ্জা থুমজা তৌবশিংগী মথক্তা অকনবা থবক পায়খৎকনি।

শ্রী মোদিনা হায়-ঝরখন্দদা উজৱালা য়োজনা চৎনখ্রবা তুংদা হৌজিক পাইপ লাইনগী খুত্থাংদা মীয়ামদা অহোংবা মমলদা চাক থোংনবা গ্যাস ফংহল্লগনি।

**মেনিফেষ্টো** ঃ মহারাষ্ট্রদা সরকার পায়রিবা বি.জে.পি অমসুং চুংশিন্নবা কাংবু বিরোধি মহা বিকাশ অধারিনা ঙসি মখোয় মখোয়গী মীখলগী মেনিফেষ্টো ফোংখ্রে।

রাজ্য অদুদা শকাইরবা লুচিংবা কয়ানা মখোয় মখোয়গী মীরেপশিংগীদমক ভোৎ খোম্বগী থবক কনখৎলক্লি। কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পি লুচিংবা

অমিত সাহনা বি.জে.পিগী মীখলগী মেনিফেষ্টো সংকল্প পত্র ঙসি ফোংখ্রে। থৌরম অদুদা বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

শ্রী সাহনা নোর্থ মহারাষ্ট্র অমসুং বিদরভা লমদমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অহুমদা ৱা ঙাংখি। কেন্দ্রগী মন্ত্রি নিতিন গদকারিসু নাগপুর অমসুং য়াভৎমালদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিনদা ৱা ঙাংখি। উপ-মুখ্য মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পিগী লুচিংবা দেবেন্দ্র ফদনাবিসনা মুম্বাই, অম্রাবতি অমসুং নাগপুরদা মীখলগী ভোট খোমখি।

**এনঐচআরসি ঃ** নেসনেল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এন.ঐচ.আর.সি) গা মপান থৌরম মন্ত্রালয়গা পুন্না শিনদুনা নুমিৎ তরুকনিগী ওইবা ইন্দিয়ান টেকি কেল এন্দ ইকোনোমিক কোওপরেসন ইগজকিটিব কেপাসিতি বিল্ডিং প্রোগ্রাম অমা হয়েংদগী ন্যু দিল্লিদা হৌরগনি।

মোলদ্বিপস, নেপাল, শ্রীলঙ্কা অমসুং থাইলেন্দ য়াওনা তোঙান তোঙানবা লৈবাক ৮ গী নেসনেল হ্যুমেন রাইটস ইন্সটিট্যুসনশিংগী সেনিয়ার ওফিসিএলশিং থৌরম অসিদা শরুক য়াগনি।

এন.ঐচ.আর.সিনা হায়-থৌরম অসি তোঙান তোঙানবা লমদমদা মীওইবগী হক ঙাকশেনবা অমদি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। থৌরম অসিদা শরুক য়ারিবশিংদা মীওইবগী হক ঙাক শেনবা অমসুং য়োকখৎপগা মরী লৈননা মখোয়গী ওইবা ৱাখল্লোনশিং ফোংদোকদুনা লম অসিদা হেন্না কান্নবা পীবা ঙম্লগনি।

**ধনকর ঃ** উপ রাস্ত্রপতি-জগদিপ ধনকরনা হায়রি-রিছার্স অমসুং ইনোভেসনগী লমদা শেল থাদবা হায়বসি হৌজিক্কী অমসুং তুংগী য়াইফনবা থৌরাং অমনি।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি মহারাজা অগ্রাসেন টেকিকেল এদুকেসন সোসাইতিগী সিলভর জল্লি থৌরম লোয়শিনবদা উপ রাস্ত্রপতিনা হায়-ইনোভেসন অমসুং

রিছার্স হায়বসি লৈবাক অমগী শেল থুমগী লমদা চাউখৎহন্নবগী মরুওইবা পান্বেশিংনি। উপ রাস্ত্রপতিনা হায়-লল্লোন ইতিক, কর্ম্মস অমসুং ইন্দষ্ট্রিগী লমদা লৈরিবা মীওইশিং অসি লৈবাক অসিগী লন তানশিল্লিবা, থবক পীরিবা অমসুং শেল থুমগী মরুওইবা থৌদাং লৌরিবা মীওইশিংনি। মখোয়না সমাজতা ইংনা চিকা লৈবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। মরম অসিনা মখোয়বু অৱাংবা থাক্তা ইকায় খুমবা চংই। হায়রিবা মীওইশিং অসি ভারতকী নীংতম ইহৌদসু অচৌবা থৌদাং লৌখি হায়না শ্রী ধনকরনা মখা তাখি।

**য়ুনিভর্সিতি ঃ** কিউ.এস ৱার্ল্ড য়ুনিভর্সিতি রেঙ্কিং-এসিয়া ২০২৫ গী মকোক থোংবা য়ুনিভর্সিতি ১০০ গী মনুংদা ভারতকী ইন্সটিট্যুসন ৭ য়াওরে। রেঙ্কিং অদুগী মকোক থোংবা য়ুনিভর্সিতি ৫০ গী মনুংদা ভারতকী ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ টেকোলোজি (আই.আই.টি) দিল্লিনা ৪৪ শুবদা লৈরে।

চেরোল অমদা শিক্ষা মন্ত্রালয়না হায়- মসিনা মহাদেশ অসিদা ভারতনা হায়র ইজ্কেসনগী লমদা নিংথিনা ফগৎলক্লি হায়বদু উৎলি। আই.আই.টি বোম্বেনা ৪৮ শুবদা, আই.আই.টি মদ্রাজ, আই.আই.টি খরাগপুর, আই.আই.টি কানপুর অমসুং য়ুনিভর্সিতি ওফ দিল্লিসু মকোক থোংবা ইন্সটিট্যুট ১০০ গী মনুং চল্লকপা অসিনা ভারতনা একাদমিক্কী লমদা খোঙজেল য়াংনা চংশিল্লকপদু উৎলি।

আই.আই.টি গুৱাহাতি, আই.আই.টি রুরকি, জে.এন.য়ু, চান্দিগর য়ুনিভর্সিতি, য়ু.পি.ই.এস অমসুং ভেলর ইন্সটিট্যুট ওফ টেকোলোজিনা মকোক থোংবা ১৫০ গী মনুংদা চল্লি। রেঙ্ক অসি নোংপোক থংবা, খা থংবা, খা নোংপোক থংবা অমসুং ময়াই থংবা এসিয়াগী লৈবাক ২৫ গী ইন্সটিট্যুসন ৯৮৪ গী মনুংদা খাইদোরকপনি।

**নেভিঃ** ইন্দিয়ান নেভিগী সবমেরিন-আই.এন.এস. ভেলা, নুমিৎ হুমনিগী

খোঙচৎতা ঙসি কলম্বোদা থুংখ্রে।

সবমেরিন অদুবু শ্রীলঙ্কা নেভিনা তরামা ওকখি। খোঙচৎ অসিগী মনুংদা সব মেরিন অসিগী ক্রু মেম্বরশিংগা শ্রীলঙ্কাগী নেভি পার্সোনেলশিংগা টিম বিল্ডিং এক্সরসাইজ কয়া পাঙথোকববা থৌরাং তৌরি।

লৈবাক অসিগী মচাক মথুমতনা শাজবা কলবারি-ক্লাস দিজল-ইলেক্ট্রিক্ট সবমেরিন আই.এন.এস. ভেলা অসি ইন্দিয়ান নেভিদা ২০২১ গী নবেম্বরদা কম্মিসন তৌখিবনি। ইন্দিয়ান নেভি অমসুং কোস গার্ডকী জহাজ অমসুং সবমেরিনশিং শ্রীলঙ্কাদা তোয়না চৎতুনা লৈবাক অনিগী মরী ফগৎহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। ঙসিগী খোঙচৎ অসিনা ভারতকী যুমলোন্নবনা হান্না হায়বা থৌশিল অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী সাগর (সেক্যুরিতি এন্দ গ্রোথ ফোর ওল ইন দা রিজন) হায়বা মেরিটাইম সেক্যুরিতি অমসুং রিজনেল কন্নেক্তিভিতি ফগৎহন্নবা থৌরাং অদুগী মখাদ পায়খৎপনি।

**রোডস ঃ** ইন্দিয়ান রোডস কংগ্রেসকী ৮৩ শুবা চহিগী মীফমদা লম্বী থোং শেমগৎপগা মরী লৈনবা ব্রাফম কয়া খন্নখ্রে। মীফম অসি ছত্তিসগরগী কোনুং রাইপুরদা পাঙথোকখিবনি। হয়েং ফাওবা চত্থগদবা মীফম অসিদা ইঞ্জিনিয়ারশিং অমসুং সাইন্তিষ্টশিং য়াওনা পুন্না অখঙ অহৈ লিশিং ২ রোমনা তোঙান তোঙানবা সেসন মরিদা শরুক য়ারি।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়- ইন্দিয়ান রোডস কংগ্রেসকী চহিগী মীফম অসিদা হৌখিবা চহি অমা অসিগী মনুংদা লম্বী চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংথিবা থোকহন্দবা, খুঙ্গংগী লমদা লম্বী থোং শেমগৎপা অমসুং লম্বী শেম শাবগী থবক্কা মরী লৈনবা টেকোলোজিশিং চাওখৎহনবনচিংবগী মতাংদা খন্নবতা নত্তনা মেলা অমসু পাঙথোক্কুনা উৎলি।

**ফিল্ম ঃ** ইন্তরনেসনেল ফিলম ফেষ্টিভেল ওফ ইন্দিয়া (ইফি) ২০২৪ না ফিলম,

চীঞ্জাক, আর্ট অমসুং খন্ন নৈনবগী থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা কাংলুপশিংবু অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবগী পান্দমদা ইফিষ্টা কৌবা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম অমা পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে। মসি গোৱাগী পানজিমদা লৈবা কলা একাদমিনা শিন্দুনা থা অসিগী ২১ দগী ২৮ ফাওবদা পাঙথোক্কনি।

চেরোল অমদা ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়না হায়-নিংথিজরবা সংস্কৃতিগী থৌরম অসিনা মদু য়েংবা লাক্লিবা মীওইশিংদা লৈবাক অদুগী তোঙান তোঙানবা সংস্কৃতি, চীঞ্জাক, ঈশৈ নোংমাই অমসুং সিনেমানচিংবগী মতাংদা খঙহন্নবগী তাঞ্জা অমা পীরগনি।

**বেদমিন্টন (এল)ঃ** হায়দ্রবাদতা পাঙথোকপা এন.এম.দি.সি. তেলঙ্গানা ইন্টরনেসনেল চেলেঞ্জ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা প্রিয়া কোঞ্জেংবম অমসুং মহাক্কী জর়া স্রুতি মিশ্রানা নুপীগী দবসল টাইতল লৌরে।

**কাং (এল)ঃ** ৱালিদা ৱাবগাই কাংশঙদা চথরিবা ৬৬ শুবা সার চুরাচান্দ মেমোরিএল লিখ কম নোক আউট কাং টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা হোকনা কে.কে.সি.ও-কৈশামথোংবু পাঞ্জল ১৭-১৩ দা মায়থিবা পীখ্রে।

হয়েং এল.এস.কেগা ৱালিদা ৱাবগাইগা শান্নগনি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংনা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা অনিশুবা য়ুথ ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সাউ-ককচিংনা সেসু-ককচিংবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচশিংদা-এল.ৱাই.এ. ৱাংঙুনা জে.এ. ককচিংবু পাঞ্জল ১-০ দা অদুগা কে.এফ.সি. ককচিংনা ৱাই. ডব্লিয়ু.য়ু-ককচিংবু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখ্রে।

**বাস্কেটবোল(এল)ঃ** মনিপুর বাস্কেটবোল এসোসিয়েসননা দরমালায়া সোসিএল রেলফিয়ার সেন্টরগা পুন্না শিনদুনা ২৪ শুবা মেন্স এন্দ ৱিমেন্স ষ্টেট সেনিয়ার বাস্কেটবোল চেম্পিয়নসিপ, মথং থাগী অমদগী ব্রহ্মপুর নহাবম বাস্কেটবোল কোডতা হৌরগনি।

অকুপ্পা মরোল এসোসিয়েসন অসিদগী খঙবা য়াগনি।

**খোখো (এল)ঃ** অহুমশুবা দি.এম. য়ু. ইন্টর কলেজ মেন্স খোখো টুর্নামেন্ট ২০২৪, দি.এম. কলেজ ওফ আর্টসনা শিন্দুনা হয়েং পাঙথোক্লগনি। টিমশিংনা শান্নগদবা মিনিট ৩০ গী মমাংদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

**ক্লাইম্বিং (এল)ঃ** জমসেদপুরগী টাটা নাগরদা পাঙথোক্কদবা এসিয়ান য়ুথ স্পোর্টস ক্লাইম্বিং চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ দা জজ ওইনবগীদমক মনিপুর স্পোর্টস ক্লাইম্বিং এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট-ডা: কে. রোমিও মীতৈ খল্লক্লে। ডা: রোমিও, মনিপুর য়ুনিভসিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ টিচর এদুকেসনগী ফেক্লতিসু ওইরি।

**হোকিঃ** হোক্কিদা, ৱিমেন্স এসিয়ান চেম্পিয়ন্স ত্রোফি ২০২৪ হয়েংদগী বিহারগী রাজগিরদা হৌরগনি। থা অসিগী ২০ ফাওবা চত্থগদবা চেম্পিয়নসিপ অদু মুখ্য মন্ত্রি নিতিশ কুমারনা হৌদোক্কনি।